নম্বাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নম্ব ফাল

অঙকপা হায়বসিনা লৌশিংগী হৌরকফমনি। - সোক্রেটিস

## হোজাই রোমিও




গুনেশ্বরনা য়েংজহৌই মীৎয়েংগী ৱাংমা লানখ্রফাও। খুবাক লাইখলতা চেপথ-চেপথনা সুরবালাবু। হন্না অমুক্তংদি শোয়দনা য়েংলমগনি খল্লুই, মতম অমগী কেজনা কৌজখিবা হোজাই রোমিও ঐবু, অদুবু মতাং মতম চাখিদ্রমাল্লে, শোন্থাংননা শোঞ্জে, ৱারৌজৈ মখাদি ফোংদনা। নচিন্দুনা কৌনিংদ্রবসু হোজাই রোমিও হায়না, অমুক্তং য়েংলম্বদা চিংখৎখ্রদ্রনে নঙগী শোরারেনগী কৈরাক্তো? লাঙ্গোল নিংথৌ মশাইকোনসিদা চিংঙু মাবু থাগোন্ননা মপোক মপোক খূদিংদা ৱাইথুংনজগে ৱাশক্লখিবদো, হন্দক্কী মপোকসিমদি খোয়ুম মানা কুবীদ্রবসু ময়াক য়াওদ্রবা নুংশিবা তাহনবদি হৌনব্রা?

লাই শেন্নবা মাইবদুনা পীরকপা নিমল্লা, উ থম্বালদুগী থম্মোয় হুরবা লৈনমদুদা খোয়ুম ইথিলবু য়াওরকপ্রা খঙদে। গুনেশ্বরগী থম্মোয়বু অমুক্কা হেন্না খোয়রাংহল্লি। হঞ্জিন হঞ্জিন খল্লি থাবুম কয়া, চহী কয়া মহাকমক্লি খন্না ঐগী ঙকশমগী লৈতেং ওইজরকপা মখুৎমক্লা হুকখিবা চা চন্দনগী লিকতুবু ৱাহৈমত্তা হায়হৌদনা ইখুৎসিনা হুন্দোকখিবসিবু চুম্ব্রা। মসিনা নুংশিবগী অরোইবা পন্দুপপু ওইরদ্রা নৎত্রগা লিক্লু লিখুন লীরক্লরোইদ্রা? পাউখুম ফংদবা ৱাহংশিংদুদা লম্মুক্লে। শোর শাংনা হোঞ্জরগা নোক্লিংবা শাদুনা শোন্থাংনৈ, হে নুংশিবা ! নঙগী ময়াইসে চহীনা লেপ্তুকো। গাড়ী কাখৎতুনা গাড়ীশিংদুদা নোংচুপ পাঙনা থোঙাক লাইরেম্বী তাবা লম্বীরোমদা ওইনা চৎলসি হায়। সাইদ গ্লাসতা ফ্লেগ পোষ্ট থেৎপা গাড়ী অমা অফিং-অফাই ওইনা নোংপোক্লোমদগী লাইবুং তম্না থৌথরকপা উই।

সুরবালা গাড়ীদগী থক কুমথরগা ফুরিৎ অঙৌবা লিৎপা খাকি খোঙ্গ্রাও শেৎপা, অমুবা সনগ্লাস অপাকপা উপ্পা নুপাদু ইপা পাখৎনা কোয়েং য়েংজৈ, কোয়থি থিজৈ। লাইবুংদা চেনশিন্দুনা ভাবোক মরক্তা লিৎশিন্দুনা অদুবু হোজাই রোমিওদু থেংনবা মরৈত্রে। ওস্থোক্লা থুনা মাঙখ্রেদা। কদোমদা চৎখ্রবজাৎনো খন্না খোয়রাংজৈ। ৱারৌজৈ গুনেশ্বরবু, করিগী অসুক ৱাহনবনো। চহীগী ইবুধৌ-ইবেনধৌ অনীগী হরাও মথোই কাবা খূদিংগী চিথদনা নোংমদি নহাক লাকখিগনি খন্না ঙাইজরকপবু খোয়ুম মানা পুবীরকপা মীকুপতা করিগী ঐবু মীরায়বীবা? নঙনা পামজখিবা মিঙ্গৌদা বেমবেম করম পাল্লিদা হংবীরম্লবদি পুন্সিসে কয়াদা মমল লৈরমগদবা? ইঙক্তগী চা চন্দনগী লিক্তুনা কুন্দো পরেং শক লাইমাংসিদা ইখুৎসিনা নঙকশমদা হুকচদুনা ঐগী পুন্সিবু নঙোন্দা শীন্নজখিবা খুদোলবু মমল লৈতবগুম মীরাইবীরবসু নঙগী শারিসিমদি মপোকসিমগী কায়নবা ঙম্লোই ঐদি।

অমুক হন্না লাইবুংদা চঙদুনা ৱাকৎখীসিরা, সিরা ! উমংলাই নখোয়বু খুরুম্মিন্নরুবগী ৱায়েল? কুমজা কয়া চুপ্পা নীরকপা বরগী মহয়রা। ইমাংদা উজাওগুম লেপ্পরবা মাবু কাওশিং ওইন উহনবদি? উপায় লৈত্রবী সুরবালাগী মতৌদুদা খোয়ুম মানা কুবীরমাল্লে সাইদ গ্লাসতা লোন্না য়েংলম্বা হোজাই রোমিও গাড়ী মমাই লৈরকই।

❐ আর কে নরেন্দ্র

## নোংমগী ওইবা আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) :

অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট, নোর্থ ইষ্টর্ন রিজননা শীন্দুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবালগী কাউন্টিং হোলদা নোংমগী ওইবা আউটরিচ প্রোগ্রাম ওন ইনকম টেক্সকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইনকম টেক্স ইম্ফাল সার্কলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার আই আর এস, এম জয়চন্দ্র; থৌবালগী এ দি এম, কে এস ঐচ উমানন্দ; থৌবালগী এদিসনল এস পি শঙ্করদেবনা মথংশিৎনা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না এম জয়চন্দ্রনা ইনকম টেক্স রিটর্ন, পেমেন্ট ওফ টেক্সেস, হেল্থ ক্যের, এদ্যুকেসন অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা পেয়িং টেক্সকী মতাংদসু মরুওইবা ৱাফম কয়া হায়খি। লোয়নননা টেক্স থিবা মতমদা থেংনা টেক্স থিবগীদমক নৌনা শেম্লিবা প্রোভিজনশিংগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহনখি। লৈবাক অসিদা টেক্স কারকপগী মতুংইন্না সোসিও ইকনমিক দিভেলপমেন্টদা চাউনা দিপেন্দ তৌবা হায়বদু ওইরিবনি হায়খি।

লোয়নননা ঙসিগী থৌরম অদুদা কে এস ঐচ উমানন্দনা পেমেন্ট ওফ টেক্সকী মরুওইবা অমদি ৱেলফ্যের প্রোগ্রাম রিছোর্সেস দিভেলপমেন্টগা লোয়নননা মখল মখা কয়াগী স্কিম অমদি প্রোগ্রামশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম সী এস, এ রুহিনিকুমার, দি আই ও থৌবাল টি সঙ্গীতা অমদি দি এল ওগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

## ঐনা-ঐনা পাম্না চৎলিবা লম্বী অদুগী মরমদা এদ্যুকেসন মতিক চানা লৈবা মথৌ তাই





নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*রিজোইস অরুবম, ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট*

অচুম্বা লম্বীবু ওইরবদি কৎথোকপা অমগা লোয়নননা পুকচেল শেংনা হোৎনরবদি মানা-মানা চৎলিবা লম্বী খুদিংমক থেংলবসু থেংনা মদুগী মহয় শেম্বিবা মপুনা অদুমক পীনবী। শিন্থা হায়বসিদা অচৌ-মচা নাইদে। নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌদুনা মশক থোক্লা শিন্থা অদু পাঙথোকপা ঙম্লবদি নোংম নৎত্রগা নোংমদি মীংচৎ অমদি হিংনবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরকপা হায়বদু ওই। চেনা শাবা গুলাপ ফনা ফজরবসু নুংশিবা মনম চেন্দে। অদুগা নুংশিবা মনম্বু চেল্লবদি য়েনখাদা শাৎকেরা, ৱারক-উমংদা শাৎকেরা অদুমক মীয়াম্না থীনরক্কনি। মরম অদুনা মগুন লৈনা পুকচেল শেংনা পাঙথোল্লিবা শিন্থা অদু লেপ্পা লৈতনা পাঙথোকপা অমদি মথৌ তাই। অফবা থবক তৌবা হায়বসিদা চহী অকক্লবা লৈতে। ঙসি মালেম অসিদা চহী নৌরিবা নহা কয়া মালেমগী থাক্তা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা থবক তৌনরি। ইরমদম অসিদসু অদুগুম্বা থবক তৌবা নহা ওইরবা মীওই কয়া অমসু লৈরি।

হৌজিক-হৌজিক অসামগী গুৱাহাটিদা গ্লোবল স্কুল ওফ হিয়র এন্দ বিয়ুটিদা ট্রেনর ওইনা থবক তৌরিবা শুপ্পগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবা রিজোইস অরুবম ইন্দিয়াদা ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট অমনি। মহাক লমশাং অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্লা ওল্দ নম্বুলেন্দা মহাক্কী অপোকপীগী ক্বাটরদা লৈরিবা অরুবম মঙলেমগী মচানুপানি। মহাক্কী মমা অনী শুই অহানবা মমানা রোসলিন সুংতে অমদি অনীশুবনা সমাশখি তখেল্লম্বম কৌই। মচিন-মনাওনা তরুকনি। কাজিরঙ্গ য়ুনিভর্সিটিদা টুরিজম এন্দ হোস্পিটালিটিদা বি বি এ লোইশিনখি। অহানবা মেকঅপ এন্দ হিয়র আর্টিষ্ট ওইনা হৌরকপসি মশানা অদুমক তমজদুনা হৌরকখি। মহাক য়াম্না তেনবা মতমদা থৱায় য়াওনা হোৎনরকপা মরম্না মীয়াম্না শকখঙলকপা হায়বদু ওইখি।



মহাক্কী করিয়র হৌরকখিবা মতম অসি ফেসন এন্দ এদিটোরিএল মেকঅপতগী বিয়ুটি আর্টিষ্ট ওইনা হৌরকখি। মদুগী মতুংদা টি ভি, ঠিএটরগা লোয়নননা লোকেল ফিল্মশিংদসু মেকঅপকী থবক তৌবা হৌরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী কেবিন ক্রু ওইনা থবক তৌবা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। বিয়ুটি কন্টেষ্ট কয়াদা মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইনা থবক তৌখিবগা লোয়নননা ম্যুজিক ভিদিওশিং, 'ইমাগী লমন; মীনুংশিগী মায়থোং; ইপাম লমদম' নচিংবা সোর্ট ফিল্মশিং, ফিল্ম খরদা অমদি মিস ইন্দিয়ানচিংবা বিয়ুটি কন্টেষ্ট কয়াদসু মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইনা থবক তৌখ্রে। হৌজিক-হৌজিক নৌনা পুথোরক্কদৌরিবা ফিল্ম খরদসু মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইনা থবক তৌরি। লোয়নননা মোদেলস এজেন্সি দিজাইন কলচর অমদি গ্লেমর ফেক্টরি মেকঅপ একাদেমিদা গেষ্ট ট্রেনর ওইনসু থবক তৌরি। মসিগী মথক্তা ইন্টরনেসনল ব্রেন্দ সেলুন 'টোনি এন্দ গাই', 'বিল্লন্ট ইন্দিয়া'দগীসু হিয়র এন্দ মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইবগী এক্সপরিএন্স কয়াসু লৈখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই খরনা মেকঅপ হায়রগা শুপ্পগী মায়থোং কেবা খক ওইনা খন্নবা য়াওদবা নত্তে। অদুবু মেকঅপ আর্টিষ্টকী লম অসিদা রিছার্স কয়া তৌবগা লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন ওইনা তম্নরি। লোয়নননা লম অসিদা প্রোফেসনেল ওইনা মালেমগী থাক্তা মশক নাইবা মীওই অমা ওইবত্তা নত্তনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু লম অসিদা চঙদুনা শেল মতিক চানা তান্দুনা হিংবা ঙম্লে। লম অসিদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা সপোর্ট মপুং ফানা তৌবিরমদে। কায়নথংদা ইমোসনেল সপোর্ট তৌরকখি অদুবু ফাইনান্সিএ সপোর্টতি অদুমক ৱাৎতুনা লাকখি। সোসাইটি অসিনসু কেবা-মৌবা মেকঅপ আর্টিষ্টকী থবক অসি তরাইনা লৌনরম্মী। হীরম অসিদা রিছার্স তৌবগী খুদোংচাবা কয়া অমসু লৈরি। অদুবু হৌজিক্তি থোইনা ৱাখল্লোল অসি খুন্নাই অসিদা লৈত্রে।

মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট কয়াদা বেষ্ট মেকঅপকী এৱার্দ অমদি অতৈ অতোপ্পা এৱার্দ কয়াসু ফংখিবা লৈখ্রে। মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইবা পাম্বা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু সবজেক্ট অসিগী মতাংদা য়াম্না ফজনা প্রোফেসনেল আর্টিষ্ট অমা ওইবা ঙম্নবা মেকঅপ আর্টিষ্টকী কোর্স মপুং ফানা তৌথোকপীগদবনি। মদুনা হেন্না চৎলিবা লম্বী অদুদা ইশানা-ইশাবু থাজবা হায়বদু ওইদুনা অমুক্কা হেন্না মায়পাক্লা চৎপা ঙমগনি। মতম মাঙহন্দনা ইশানা পামজবা লম্বী অদুদা তমশিনবা য়াবা কয়াসু তমশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মঙলান অমগা লোয়নননা চৎতুনা মঙলিবা মঙলান অদু মঙ ফাওনবা হোৎনহন্নিংই। তুংদা লম অসিদা চৎতুনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কী মায় পুরক্কদবা থবকশিং শোয়দনা তৌগে হায়বগী ৱাখল্লোল কয়া লৈরি। অদুমকপু হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক মীয়ামদা ঐনা তুংদা তৌজগে খঞ্জরিবা থবকশিং অদু হায়দোকচখিরোই। মসিগীদমক ঙাকপিগনি। লম্বী অসিদা মায়পাক্লা চৎনবা হোৎনরকপদা ঙসি ফাওবদা ষ্ট্রগল কয়া থেংনখ্রবসু পামজনা চৎলিবা লম্বী অমা ওইবনা কা হেন্না ৱাবা হায়বদুদি ঙসি ফাওবা লৈত্রি।

লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচানা পাম্না চৎলিবা লম্বীশিং অদুদা মপুং ফানা শৌগৎপীদুনা অমুক্কা হেন্না মায়পাকপা ঙম্নবা অঙম্বা মতেং পাংবিদুনা চৎলিবা লম্বী অদুদা তঙাইফদবা এদ্যুকেসন অদুমদি তৌহনবগা লোয়নননা গাইদ তৌবিবা মথৌ তাই। লোয়নননা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মানা-মানা চৎপা পাল্লিবা লম্বী অদুদা গোল অমা থম্বগা লোয়নননা পামজরিবা হীরম অদুগী মতাংদা সিষ্টম অদুবু মমুৎ তানা খঙনবা মতিক চানা এদ্যুকেসন লৌহৌনবা হোৎনহন্নিংই। ঙসি ফাওবদা লম্বী অসিদা মায়পাক্লা চৎচবা ঙম্লিবা অমদি লৈবাক মীয়াম্না শক খঙবিবা হৌরক্লিবা পুম্নমক অসিগী ক্রেদিট লম অসিদা চঙবা হৌরকপা মতমদা প্রেক্টিস তৌনিংঙাই লৈত্রবদা লৈকায়গী ইচে-ইচন কয়ানা সপোর্ট তৌবিদুনা মশা-মশাগী মায়দা মেকঅপ তৌনবগী তাঞ্জা পীবিখিবা মখোয়, অপোকপা-অপোকপী অমদি সপোর্ট তৌবিরকপা পুম্নমক্তা পীনিংই হায়না নহা ওইরিবা ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট রিজোইসনা ফোঙদোরক্লি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

## ইনভাইরনমেন্ট কলহৌনবা চীংদা উ থানবা হোৎনবা মথৌ তারে : ব্রোজেন

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস):

ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্ট কলহৌনবা অমদি তুংগী হৌরক্লিবা ইচা-ইনাওশিংগী য়েংলগা ঐখোয়না ঙসিদি চীংগী মফমশিংদা উ থানবা হোৎনবা মথৌ তারে হায়না ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইনভাইরনমেন্ট ক্লব ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনল ইনদেঞ্জর স্পেসিস ওবজার্ভেসন ২০২২গী পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিং প্রিন্সিপাল ডা. এস গিরি অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী জিওলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর টি ঐচ বিনোয়না মথংশিৎনা থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক ওইরক্লিবা ইনভাইরনমেন্টকী ফীভম অসিদা চীংদা উ থাবা য়াম্নমক মথৌ তারবনি। অদুমকপু খ্বাইদগী লাইবক থীবদি ঐখোয় তম্পাক লমনা চীংদা খুন্দাবা য়াদবা অসিনি। চাদা ৯২ ওইরিবা চীংদা ঐখোয়না উ থাদুনা শেন্নরুগদবসু ঐখোয়না চীংদা খুন্দাবা য়াদবনিনা মফম অদু ঐখোয়গী ওইদবদৌনা খলহল্লে। চীংদা খুন্দাদুনা উ-ৱা থাদুনা হৈ-রা থাদুনা পোখোক লৈবা মণিপুর অমা ওইবা য়াবনি। অদুবু ঐখোয়গী লো অসিনসু ওইহন্দ্রে। চৎনরিবা লো অসিনা চীংদা চাদা ৯২ রিজার্ভ তৌশিনখ্রে। তম্পাক্তা লৈরিবা জেনরেল কাঙবুনা চীংদা করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোক্লিংলবসু পাম্বে লৈহন্দ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ওর্গানিক ওইবা উহৈশিং পুথোকপা য়াবা মফমসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈ। চীংগী মফমশিং য়াম্না লৈহাও চেনবা লমনি। মরম অদুনা মণিপুরদি য়াম্না ইনাক খুনবা য়াবা লম অমনি। অদুবু মশীং য়াম্বা তম্পাক্তা লৈরিবশিং অসিনা চীংদা লৈবা য়াদবা অসিনা ঙসিদি ওর্গানিক ওইবা হৈ-রা কয়া মরাং কায়না পুথোক্তুনা মপান লমদা থাদোক্কদবা অদুসু ঙমহন্দনা লৈরে। তম্পাক লমদা ওর্গানিক হৈ-রাশিং থাগে হায়রবসু তম্পাক লম অসিদি য়াম্না নুংঙাইবা মফম ওইবনিনা চীংদা লৈরিবশিংনসু তম্পাক্তা লোইনা লৈনিংলকপা মরম্না তম্পাকসিনা লৈফম ওইখ্রে। অদুগা চীংশিং অসিনা য়ান্থুৎফম, কোকথোকফম ওইদুনা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা পোম্পী পাম্বী অমুক থাদুনা খ্বাইদগী মথোং চাদবা থবক অসি মণিপুরী ঐখোয়না অদুম্মক তৌদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী মণিপুর অসিদা আশা তৌনিংঙাই অমত্তা লৈরক্ত্রে। মাঙহন-তাকহনবা ঙাক্তা ঙাইরে। মণিপুরী খূদিংমক পুল্লপ রিজার্ভেসন ওইদুনা তানিংবা মফমদা তাবা য়ারগদি ইনভাইরনমেন্ট কন্দুনা, অফবা পোখোক পুথোক্তুনা শেন্থোক লৈবা মফম অমা ওইবা য়াবনি। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়না খুন্দাবা য়াদবনিনা চীংগী লমশিং মরু লোইনা কোক্তুনা লৈরে। তম্পাক্তনা মী পীক থল্লে। অদুগা পাক চাউখ্রবা চীংগী লমশিং অসিদনা পুম্মাং হাংহল্লগা উ য়ান্থুৎফম ওইনা থমখ্রে। মসিদবু ঐখোয়না মতৌ করম্না ইনভাইরনমেন্ট কনবা ঙমগদৌরিবনো হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ইনভাইরনমেন্টকী ইস্যু অসি মালেমগী ওইনা য়াম্না চাউবা ইস্যু অমনি। ঙসিগী মুৎখ্রগদৌবা থৱায় পানবশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনবা অসি থেংবা-ঙনবা লৈতনা য়াম্না মরুওইরক্লে। মীওইবা ঐখোয়সি য়াম্না ফৎতবা থৱায় পানবা পোৎশক অমা ওইরে। মহৌশাগী লাইরেম্বী ইমানা থম্বীরম্লবশিং অসিবু ঐখোয় মীওইবনা থুগায়রকপনি। হৌজিক্তি পুম্নমক অদু খঙলকপদগী হায়বদি মাঙজগদৌরিবা অসি ঐখোয় মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা পুম্নমক্লি হায়না ৱাখল তারকপদগী ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইনা ইনভাইরনমেন্ট কনবা অসি মরুওইনা লৌনরক্লিবনি। ইনভাইরনমেন্ট অসি য়াম্না মরুওই। ঐনা ঙসি ইনভাইরনমেন্ট থুগায়রগা শেল তান্দুনা ইচাশিংদা পীরম্লবসু ইচাশিং অদুদি তুংদা ঈশিং ফাওবা থকপা ফংলোইদৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট লেভেল এগজিবিসন অমসু কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা পাঙথোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১। ০৫। ২০২২ ইং, থাংজ; নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কালেনগী ২১ নি পাল্লি, মতুং ২২ নি পাল্লনি।

**মেষ:** অশাওবা অমদি চিন শোয়বনা কায়নবা অমদি লন ময়েং তাবা লৈরসু মরুপ মপাংদগী কান্নবা ফংগনি, য়েৎনরম্বা কোকচদুনা লন ফংগনি, থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** থবক মফমদা য়েৎনবা অমদি মীৱা লৌবনা কায়নবা য়াবা লৈ-লৈজবা লৌশিং পুথোক্তুনা থৌপাঙলদি মাঙবা লৈরোই। থেংলপ্পা য়েক্লববু ঙমদুনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নাপলনা মাঙহনগনি-লৌশিং চাওরসু নোল্লুক্লা চৎপনা হেন্না ইকাই খুম্নবা ফংগনি। নহৈ/নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জগনি, লমদৈ কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইজবা, নীংবা থুংবা, অনৌবা থৌরমদা খুৎচাও থাবা মতাং চাবা নুমিৎনি। নহৈ চাওখৎলি, থৌনা ফুদোকপা অশিংবা তাই, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** য়েৎনরুনু লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি, অফবা থবক্তা লন থাদবা মতাং চায় অমদি পল্লম্বা শেলথুম ফংবা য়াবা লৈরে। ফত্তবা মরুপ মপাংদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** মতম মাঙবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি ফংবা য়াবা পনবা লৈগনি। লান্দবনদি মায় পাকচৌ হায়বা লৈ, অফবা মরুপ মপাংগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং

**তুলা:** ঙন্মী হায়দুনা অনম তানবা, মীচং লৈ খন্দুনা হোয়া ফবা অমদি ঈরাং পুবা মাঙজবতা থংগনি। ঈংথনা থৌপাঙউ অমদি নথক থোংবগী ৱা লুম্না লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** চিন শোয়রগা ফংবা য়াবসু মাঙজবতা নত্তনা চোপ্পা য়াবা লৈ-ৱা ঙাংবা হৈয়ু। অশাওবনদি তাথি। লাইবক ফবনা ওইজবদি ফংগনি, অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা, মরুপ মপাংনা য়াম্না লুনা তৌবিবা, য়েৎনবা লৈরসু মায় পাকপা নুমিৎনি। হান্নগুম্না মহু চাওবনা তাথি-মী থাজবা হৈগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** পুক্লিং পেন্না নুংঙাইজবা, মীচং খোম্বসু মায় পাকপা, পাঙনিংবা থবক পাংবা, নচা-ননাইগী লমদা মায় পাকপা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** তপ্পা ঈংনা থৌপাঙবনা শাফগনি। অনম তানবা অমদি থৌনা ফুদোকপদি অপঙ তাগনি। থেংলপ্পা মীনা থাগৎপিগনি, তুংগী পোরম য়াৎহৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** শেল থুমগী লমদা মায় পাক্কনি। নথক থোংবনা তাথি-পুক্লিং তপথৌ। মরুপ মপাং অমদি ইমুং মনুংগী ৱাদি য়াম্না কান্নগনি। য়েৎনবনা চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

## লম্বী নাকলদা য়োল্লিবা

### অচা-অথক লৈরগা চাবশিং হকশেলগী ওইবা খুদোংথিনিংঙাইনি

লম্বী নাকলদা অচা-অথক য়োনবগী থৌওং মালেমগী মফম অয়াম্বদা অদুম্মক চৎনৈ। কাংখোঙ পানবা উপুদা হাপ্লগা খুদোংচাগদবা মফম য়েংদুনা চান-থক্লবা অচাপোৎশিং য়োন্নরি। হোটেল অমদি রেষ্টুরেন্টকা য়েংনবদা মমল হোংবা অমসুং কুইনা ঙাইবগী মথৌ তাদবা মরম্না লম্বী নাকলগী অচা অথকশিং লৈরগা চাবা মীওই কয়া লৈরি।

লৈবীনবা মী ৱাৎতবনিনা অয়োনবা মীসু মশিং হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। অদুবু লম্বী নাকলদা অচা-অথক য়োল্লিবা মীওইশিংনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবা থোল্লবদি লায়না কয়া শন্দোরক্লবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই। য়োল্লিবা মফম, থোং-থাকপদা শীজিন্নরিবা কোল-লীক, য়োল্লিবা মীগী লু-নানবগী ফীভম অমসুং অচাপোৎ হাপ্লিবা পাত্রনচিংবা হীরম কয়াগী মতাংদা চেকশিন্দবা থোল্লবদি মহীক-মতাই চেল্লক্তুনা লায়না পোকহল্লকপা য়াই। লম্বী নাকলদা য়োল্লিবা অচা অথকশিংদা বেসিলস, ষ্টেফাইলোকোকস, ক্লোষ্ট্রিদিয়ম, ভাইব্রিও, কেম্পিলোবেক্টর, লিষ্টরিয়া অমসুং সালমোনেলানচিংবা মহীক-মতাই কয়ামরুম য়াওই হায়বা তোঙান তোঙানবা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙম্লে।



ফ্রুইট সলাদ অমসুং চুজাক অচৌবনচিংবা অচাপোৎ য়োল্লিবা মীওইশিং অমোৎ-অকায় মনাক্তা হাইজনিক ওইদবা মওংদা য়োল্লি। ঈশিং হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মচাক অমনি। লম্বী নাকলদা অচা অথক য়োল্লিবা মীওইশিংনা শীজিন্নরিবা ঈশিং অয়াম্বা মহীক মতাই চেনবা অমোৎপা ঙাক্তনি। অমোৎপা ঈশিংদা চাম্বা চীঞ্জাক চারবদি লায়না পোল্লকপা মশানা তাবনি।

ইন্দিয়াদা নেসনল পোলিসী ফোর অর্বান ষ্ট্রিট ভেন্দরস/ হোকরস শেমখ্রবসু নোংম-নোংমগী লম্বী নাকলদা অচা অথক থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মপুং ফংবা মীৎয়েং চঙবা ঙমদবদগী হকশেলদা অচৌবা শিংনবা অমা পীরক্লি। ইন্দিয়াগী ৱা ঙাক নৎতনা চাইনাগী শাংদোং প্রোভিন্সতসু লম্বী নাকলদা য়োনবা অচা অথক্লা ফুদ পোইজনিং তৌহনবদগী কুমজা ১৯৮৩ অমসুং কুমজা ১৯৯২ গী মরক্তা মীওই ৪৯ শিহনখি। লম্বী নাকলদা য়োনবা অচা অথক তোয়না চাবা মীওইশিং দাইরিয়া, কোলেরা, টাইফোইদ ফেবর অমসুং ফুদ পোইজনিং মায়োক্লবগী চাংসু ৱাংখৎলকখি।

লম্বী নাকলদা য়োল্লিবা অচা অথক অয়াম্বা লু-নান্না থোং-থাক্তবা অমসুং মখুম নীংথিনা কুপশিন্দবা মরম্না মহীক মতায় চেল্লক্লবগী মরম ওইরকই। অমোৎ অকায়দা তোংলুবা হয়িংনা অচা অথক্তা অমুক তোংলকপদগী ঈ কোলি, এস অলমোনেলা, শিগেলা, কেম্পিলোবেক্টর অমসুং এস ওরিয়সনচিংবা মহিক-মতায় কয়া চেল্লকই। য়োল্লিবা মীওইশিং অদুগী মখুৎতা অমোৎ-অকায়, ফৎত-হৌদি, মশম-মনা অমসুং মমিৎ-মমায়দা শোক্লুরগা অচা অথক পায়বা মতমদা মহীক মতায় কয়া লোয়নরকই। হায়রিবা অচাপোৎ অদু কনাগুম্বনা চারুবদা লায়না কয়া পোল্লকই।

অমরোমদা, কনাগুম্বনা চারম্লগা হুন্দোক্লম্বা লুখাক অদু মফম চানা লোইশিন্দবা মরম্না উচি অমসুং হয়িং কয়া লাকই। ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, লম্বী নাকলদা ঙা অতাউবা, এসিয়া, অফ্রিকা অমসুং সাউথ অমেরিকাগী মফম কয়াদা চথখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না লম্বী নাকলদা অচা অথক য়োল্লিবশিংনা অফবা ঈশিং মরাং কায়না শীজিন্নবা ঙমদে হায়বা খঙলকখি। ঈশিং মরাং কায়না লৈত্রবনিনা অৰৈবা খরা অদু কোল-লীক চাম্বদা হঞ্জিন-হঞ্জিন শীজিন্নৈ। মহীক মতাই চেনবা ঈশিংদা চাম্বা কোল-লীক হাপ্পা অচাপোৎ চারুবদগী খোঙ হামথবা অমসুং ওবনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, লম্বী নাকলদা অচা অথক য়োল্লিবশিং ঈশিং মরাং কায়না শীজিন্নবা ঙমদবদগী মহীক মতাই চেনবা পোৎলম কয়া শীজিন্নরি। মদুনা মরম ওইরগা অচাপোৎশিং অদু চারুবা মীওইশিংগী হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকই। ফীভম অসি য়েংলুরগা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও) না বোলিবিয়া, কলম্বিয়া, ইক্কেদর, ইন্দিয়া, জাইয়রনচিংবা লৈবাকশিংদা লম্বী নাকলদা অচা অথক য়োল্লিবশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মলেসিয়াদদি লাইসেন্স পীরগা লম্বীদা অচা অথক য়োলহনবগী থৌরাং মাঙজৌননা লৌখৎখ্রে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে